## এডিটোরিয়েল

# পোলুসন অমদি অহৌবা মখোলশিং

*তশেংনমক্কী হায়বা তারগদি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মখল মখা কয়াগী গাড়িশিং থোক্লকপগা লোয়ননা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলকপা মতমদা থুগাইবা অমদি শাগৎপা হায়বসি মশানা তাবনি। হৌখিবা চহি খরা অসিদা মণিপুরদা সিৱরেজ প্রোজেক্ট অমা পায়খৎতুনা লম্বী চৎফম খংদবমখৈ লম্বী থুগাইখি অমদি অঙকপা ফংনা উফুল থোকখি। মতমদুদা এয়ার পোলুসনগী চাং য়াম্না হেনগৎলকখিবনি অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা মীওই পুম্বা থবোম্বীগী মরি লৈনবা লায়না নারগনি হায়বা ফাওবা অখং অহৈ মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা ফোংদোক্লখিবা লৈখ্রবনি। মদুমক্তদা মণিপুর সরকারনা করিগুম্বা অমত্তা খন্দনা মখোয়না তৌগে খল্লিবা থবক অদু লোইশিন্নবা হোৎনখি। মদুদসু অমুক হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিগী এলাইনমেন্ট অসি শোয়রে হায়দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লম্বী কয়া অমা তৌথোক্তুনা লাকখিবনি। মদু মণিপুরগী মীয়াম্না চাওখৎপগী মমি অমা তারিবনি হায়না মখল অমতগী অয়েৎপা পীখিদে। মদুগী ফলনা ঙসিসু শান্তি পামজবা মণিপুরগী মীয়ামদা অমুক লম্বী পাকথোকপগী হঞ্জিন-হঞ্জিন পায়খৎপা থৌরাং কয়ানা উফুল মরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌহনবতা নত্তনা লম্বীগী নাক য়েৎতা শারম্বা বিল্ডিং কয়া ককপগী অমসুং মদুদা অচৌবা মখলগী মেছিন্নরি কয়া শিজিন্নবগী মখোলনা মীওই কয়া তুস্ফম চাফম খংদ্রবনি। মসিনা লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা হকশেলগী ওইনা অমদি ৱাখলগী ওইনা অচৌবা অকায়বা অমা পীরি হায়বসি ঙসিগী সরকার অসিনা খঙফম থোকপনি। মদু নত্তনা তৌনিং তৌনিংবা মওংদা থবক চত্থবা অমসুং লাল নংবীগী ফিভমদা থবক তৌবা তারগদি মমৈদা মীয়ামগী অশাওবা পুম্বা সরকার অসিগী মথক্তা তারকপা য়াই হায়বসি য়াম্না কুপ্না খলহৌবা তাই। অহানবগী চাংয়েংদা শোকখ্রিবা মীয়ামগী হকশেল অদু ফাওবা মেনখৎপা ঙমদ্রিঙৈদা অমুক্তা হেন্না হঞ্জিন – হঞ্জিন শোকহল্লকপা তারগদি মীয়াম্না অমুক হন্না সরকারগী থৌওংশিংদা ঙাকপিবা ঙম্লক্তবা য়াই।*

*পাল্লিবদি থবক শুবগী মওংশিং অসিদা সরকারনা পান্নদুনা কুপ্না য়েংশিনবা অমদি মীয়ামগী হকশেলদা শোকহন্দবা হোৎনবা হায়বসিনি। মপান লমদা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিংদা মণিপুরদা চত্থরিবা থৌওশিং অসি অমুক্তা উদে। নুমিদাংদা লম্বী থিংজিনলগা থবক শুবা মতমদা মীয়ামদা অকায়বা অমত্তা লৈহন্দনবা থৌরাং পায়খৎলি। নোংঙানবদা ঙরাং শেমখিবা লম্বীনি হায়বা খংদবমখৈ অদুমক লৈরম্বা থেংনৈ। অদুগুম্বা থবক্কী কলচর অদু মতৌ তম্বা মতমদা থোইদোক্লা ইকায়নিংঙাই ওইদে, হেন্নদুম ফগৎপা ক্বালিটি লৈবা থবক খুৎশু অমা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবনা হেল্লি। হৌজিক মণিপুরদা শুরিবা থবক কয়া অসি চাওখৎনবনি অমদি চাওখৎলক্পগী খুদমনি হায়না লৌবা তারগসু অদুক য়াম্না চাউনা মীয়ামগী মফমদা অকায়বা পীবদি লানগদ্রা খল্লি। অমনা করিগুম্বা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপা তারগদি মদু মতম শাংনা চৎক্দবা মওংগী ওইহন্নিংই। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা পায়খৎপা থৌরাংশিংদা মণিপুরগী মীয়াম্না শিবা চংবগা মায়োক্নবা মওংদা হিংহনবদি চুপ্লোই। পায়খৎলিবা থবকশিং অসিদা করি ওইরিবগে হায়বসি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লেপ্পা লৈতনা চৎতুনা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা অদুসু লৈ হায়বা অসি মীয়ামগীদমক খল্লগা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংদগী মতৌ তম্লগা থবক তৌবা ফরে। হৌজিক লৈরিবা মীওইশিংগী থবক খুৎশু অসি য়েংশিনবিনবা লৈতবগা চপ মান্নরে অমসুং মসিনা মীয়ামগী অফবা কয়া পুরক্কনি হায়বসিদি মীয়াম্না থাজনদ্রে হায়বসিসু খংজিনবা ফৈ।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# পে–রিভিজন খুদিংগী স্ত্রাইক

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

ষ্টেটসিগী কর্ম্মচারিশিংনা সেন্ত্রলগী তলব ফংদ্রিঙৈদা ষ্টেটকী ওইবা তলব পিরম্মী। লৈখিদ্রবা চিফ মিনিষ্টর আর কে জয়চন্দ্রগী মতমদা সেন্ত্রেল পে (রিকোমেনদেৎ বাই ফোর পে কম্মীসন) এমতুক এন্দ এমজিওগী জে এ সিনা নুমীৎ তরা মঙানিগী মথক্তা স্ত্রাইক তৌদুনা ফংখি, অহানবা ওইনা। ফিপ পে রিভিজন চিফমিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখ্রি দ্রবা দবলিউ নিপামচাগী ষ্টেটকী ওভর–দাপ তাবা মতমদা থা অমরোম জে এ সিনা স্ত্রাইক তৌদুনা ফংখি। ফিপ পে রিভিজন ফংদ্রিঙৈদা ইন্তরিম রিলিপ থা তরামরিগী থাদা লুপা চাম্মগী চাংদা ফংখি। সিক্স পে রিভিজনসু হান্নগী চিফমিনিষ্টর ও ইবোবীগী মতমদা স্ত্রাইক তৌদুনা ফংখি। রিভজন খুদিংমক মতম শাংনা স্ত্রাইক তৌদুনা ফংখি।

ষ্টেটকী কর্ম্মচারিশিংনা অচৌবা তলব ফংবদা মনি সারকুলেসন তৌবনিনা প্রজাশিংদা কান্নবা ফংহনলি, অদুবু মন্ত্রি, এম এল এশিংনা অচৌবা তলব ফংবদদি প্রজাশিংদা কান্নবা ফংলমদবা য়াই। সেভেন পে রিভিজন তৌরে তাবদা, লৌমীশিংনা হংগাম কোবী লূপা তরা পিরম্বা অদু লুপা য়াংখৈ য়ৌরিবনি, মসি লৌমীশিংগী কান্নবনি হায়বসি সরকারনা খংবিফম থোকই। হিংবদা চংলিবা পোৎলম খুদিংমক সেন্ত্রেল কর্ম্মচারী ষ্টেটকী কর্ম্মচারিশিংনা চপ মান্ননা লৈম্মীন্নরী। ষ্টেটকী কর্ম্মচারিশিংদা অহোংবা মমলদা ফংহনবা ঙমদে। স্ত্রাইক তৌবদা সরকারনা দাইজ–নন পাল্লি, য়ান্নরকপা মতমদা দাইজ–নন লৌথোকই। নোংম থবক লেপ্পদা, লুপা ক্রোরগী মথক্তা সরকারগী মাংই, নুমিৎ তরা মঙানি থবক লেপ্পদা কয়াম মাংই হায়বসি সরকারনা খংনা খংনা স্ত্রাইক তৌহনবা হোৎনৈ। অসাম সারকারনা, বিহার সারকারনা, সেন্ত্রেল পে পিবা হৌখিবা নত্তে মণিপুর সরকারনা ষ্টেটসিগী কর্ম্মচারিশিংদা সেন্ত্রেল পে পিবা হৌখ্রবনি। পিবা হৌখ্রবনিনা রিভিজন খুদিংগী পিবা তাবনি, পিদুনসু লাক্লি। কর্ম্মচারিশিংনসু পিবিয়ু হায়ফম থোক্তে, সরকারনসু পিগনি হায়ফম থোক্তে, ফংফম তোকপনি, পিফম থোকপনি। মণিপুরনা পৃথিবীগী লৈবাকশিংদা ভারতকী ইজৎ কনবা য়াওরীবনি। অদুনা সেন্টরনা মণিপুরগীদমক ফন্দ য়াম্না পিফম থোকপনি। সরকারনা স্ত্রাইক তৌহন্দনা পিনবা হোৎনবীয়ু।

অদোমগী
থিংবাইজম ইতোবী সিংহ
তোপ অৱাং লৈকাই

# অঙনবা মতমগী মৈতৈগী লাইনিং অমসুং ঈরাৎ–থৌনি–১

*ডা. নোংথোম্বম অমরজিৎ সিংহ*

মীওইবা খুনাইনা মালেম অসিদা হেক খুন্দা–লৈতাবা হৌরকপদগী লাইনীং–লাইশোনগী থৌরম অসিসু অসুমক লোয়নদুনা লাকলে হায়বা য়াই। খুন্থোকঙৈদগী হৌনা মালেম অসিদা লৈরিবা মীওই কাঙলূপ খুদিংমক মাগী–মাগী লাইনীং লম্বী অমমম শেমজদুনা চৎনরকলি। অসিগুম্বা মশাগী মহৌশাদগী লোয়নজরক্লিবা লাইনীং লম্বী, চৎনবী, ঈরাৎ–থৌনিগী মশকশিং অসি ঙাক্তুনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মথং মথং শমথরকলি। লাইনীং–লাইশোন লৈরকপদগী ঈরাৎ–থৌনিগী শরুক অসিসু অদুমক লোয়নদুনা লাকলে। লাইনীং অমদি ঈরাৎ–থৌনিগী মরু ওইবা হৌরকফম অসি মীওইবগী পূক্নিং–ৱাখলদগীনি। তাইবং মীওইবনা মখোয়দগী হেন্না শক্তি লৈবা, মতিক–মগুণ ৱাংবা, তৌবা ঙম্বা শকউদবা অমা লৈ হায়বা ৱাখল্লোন্না মতম খুদিং মাঙজিংদুনা লৈ। তাইবং মীওইবনা মাগী পুন্সি খোঙচৎকী মরু ওইবা তাংককশিংদা–পোকপা, লুহোংবা, শিবা, অৱা–অনাগী মতম, অনিংবা অপাম্বা থুংনবা হোৎনরকপনচিংবা মতাংশিংদা মতিক–মগুণ চাউবা, মখোয়দগী হেন্না শক্তি লৈবা শকউদবা অদুগী মফমদা চঙজদুনা নিজবগী অপাম্বা পোকলকই। অসুন্না শকউদবা, মতিক–মগুণ লৈবা মাগী মফমদা চঙজদুনা মতেং নিজবা অমদি অৱাবা কয়াবু কোকপিনবা হোৎনবদগী লাইনীং–লাইশোনগা লোয়ননা ঈরাৎ–থৌনিগী থৌরম হায়বসি ওইরকই। লাইনীংগা লোয়ননা ঈরাৎ–পুজা পাঙথোকপা অসিনা তাইবং মীওইবগী অৱা–অনা কোকপী হায়বসি অঙনবা মতমদগী থাজদুনা লাকলি। মসিগী হৌরকফম ওইনা মহৌশাগী ওইবা পোৎলমশিং মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, চীং, পাৎ, তুরেল, হী–য়াইনি খনবা পোৎলমশিংবু লাইওইনা ঈরাৎপা চৎনৈ। অসিগুম্বা শক্তি লৈবা, অঙম্বা মাবু নিংবা, লাৎনরিবা লাইনীং লম্বী অসিবু হিন্দুদা 'ধর্ম্ম' অমসুং ইংরেজীদা 'রিলিজন' হায়না খঙনরি। তশেংনমক রিলিজন হায়বা ৱাহৈ অসিমক্তি লেটিন লোনদগী লাকপা য়াবগী ওইথোকপা ফোঙদোকই।

Religion is derived from the Latin religio the ultimate origins of which are obscur.

অদুগা ফিলোলোজিষ্ট Max Muller নসু ইংরেজি ৱাহৈ Religion গী হৌরকফম লেটিনদগী অমসুং মসিগী অর্থনা লাইবু অচেৎপা ভক্তিগা লোয়ননা য়াম্না কিনা লুনা নীংববু কৌগনি হায়না মত পীরি।

According to the Philologist Max Muller in the 19th Century, the root of the English word, "religion", the Latin religio, was originally used to mean only reverence for God or the Gods, careful pondering of divine things, piety.

অদুগা অমুক রিলিজন কদাইবু কৌই অমসুং রিলিজন হায়রগা করিবু খঙনগদগে হায়বগী মতাংদা Oxford University না ফোঙবা Oford Dictionary of Seciology দা অসুন্না ইরিঃ

Religion is a set of beliefs, symbols and practices, which is based on the idea of the sacred, and which units believers into a socio-religions community.

অসুন্না লাইনীং হায়বসি ঈশ্বরবু অচেৎপা ভক্তি, থাজবা অমগা লোয়ননা চেকশিন্না, লুনা নীংবা অমদি হায়রিবা লাইনীং অদুনা কাঙলূপ অদুবু অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন পোকহন্দুনা পূন্না লৈমীন্নববু খঙনবা য়াই। অদুগা ধর্ম্ম হায়বসি পূন্নমক্কী ওইরবসু হিন্দু শাস্ত্রগী মতুং ইন্না লনাইগী ওইবা ধর্ম্ম হায়বা অমসু উবা ফংই। মসি মীওইবা পুন্সিগী তাংকক অমা, পুন্সিগী থৌরম থৌগায়, মীওই অদুগী ৱাখল্লোন, চাকয়া য়িথকনচিংবা য়েংলগা খরা হেন্না কুপশিন্না খায়বা মখল অমনি। খুদম ওইনা খরদং পল্লবদা– সনাতন, সমান, কুল, মানব, পুরুষ, স্ত্রি, রাজ, প্রজা ধর্ম্মনচিংবা পনবা য়াই। য়াম্না অঙনবা মতমদগী হৌনা মীওইবনা লাইনীংগা থান্নবা য়াদবা মরী অমা লৈনরকপগুম ঈরাৎ–থৌনি অসিসু লাইনীংগা লোয়নদুনা অদুম্মক লাকলে হায়বা য়াই। মীওই কাঙলূপ অদুনা ঈশ্বরনি, তৌবা ঙম্বনি হায়না থাজরিবা অদুগী মফমদা ঈরাৎ–থৌনি তৌদুনা খুরুন্নবা চৎনৈ। অসিগুম্বা ঈরাৎ–থৌনি অসিবু ইংরেজিদা রিচুয়েল (Ritual) অমসুং হিন্দুশিংগী মতুং ইন্না 'পুজা' হায়না খঙনরি।

Generally, an offer-repeated pattern of behaviour which is performed at the appropiate times, and which may involve the use of symbols. Religion is one of the main social field in which rituals operate, but the scope of ritual extends into secular and everyday life as well".

লাইনীংগা মরী লৈনবা ঈরাৎ–থৌনি অসি অখঙ–অহৈশিংনা তোঙান–তোঙানবা মীৎয়েংদগী মখল কয়া থোক্লা খায়দোকপা থেংনৈ। Britannica Encyclopedia of World Religious তা ঈরাৎ–থৌনিগী মখল অসি নীংথিজনা খায়দোকতুনা থম্লম্মী। মদুদিঃ

i) Critical Rituals
ii) Cyclical Rituals
iii) Calendrical Rituals.

লাইরিকশিং অসিদা ঈরাৎ–থৌনিগী মখলগী মরমদা শুগাইনা নৈনবা থেংনৈ। লাইনীংগা মরী লৈনবা ঈরাৎ–থৌনি অসি করম্বা মতমদগী অমসুং মরম্বা মফমদগী হৌরকখিবগে হায়বসি অৱাবা ৱাফম অমা ওইরি। অদুবু Oxford Junior Encyclopedia Vol.1 দা চাওরাক্লা চহি লিশিং ৫০ মুক্কী মমাঙদা হৌরকপগী য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না মত পীরিঃ

The first evidence of man's spiritual life appears some 50,000 years ago at the Neanderthal stage of human evolution, during the last cold phase of the ice age."

নীংশিংবা থোকত্রবা মতমদগী মীওইবনা লাইনীংগা লোয়ননা ঈরাৎ–থৌনি তৌদুনা লাকলে হায়বসিমদি য়েৎননিংঙাই য়াওদ্রবা ৱাফম অমনি। খেন্নবা কাঙলূপশিংনা মশাগী লাইনীং লম্বী অমসুং থাজনবীদা য়ুম্ফম ওইরগা মখল কয়াগী ঈরাৎ–থৌনি পাঙথোকনৈ। মসি হৌজিকসু চাউখৎপগী মমি নীংথিজনা তারবা কাঙলূপ কয়াগী মনুংদা অদুমক চৎনরী।

মালেমগী অতৈ মফমশিংদা লৈরিবা মীওই কাঙলূপশিংগুন্না মৈতৈশিংগীসু মাশাগী চৎনবী, নাৎ, লাইনীং–লাইশোন, ঈরাৎ–থৌনি অঙনবা মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাকলি। কাঙলূপ অসিগী খুন্থোকলকপগী পূৱারী অমসুং খুন্দা লৈতারোলগী লীখুন পীবদা হঙ্কো মরী থোক্লা খায়দোকপা থেংনৈ। হায়রিবা হঙ্কো মরী অসিগী মতুংদা চক মরী থোক্লা খায়দোকপসু চৎনৈ। মদুদি– ১) হয়িচক, ২) হয়াচক, ৩) খুনুংচক অমসুং ৪) লাংবচক। অদুগা চক মরী থোক্লা খায়দোকপগী মওঙ অসিসু খেন্নবা লৈবা উরি। মদুদি – ১) হয়িচক, ২) হয়াচক, ৩) লাংবচক অমসুং ৪) কোন্নচক। খেন্নবা চক মরী অসিদা পাল্লম্বা নিংথৌশিং অমসুং লাইনীং লৈরি। চক মরী অসিগী মনুংদা হয়িচকতা লৈরম্বা লাইনীং অসি অরেপ্পা কৌই অমসুং লাইনা সনামহিনি হায়না খুলেম চন্দ্রসেখরনা এদিট তৌবা সকোক লমলেন অহানবদা পল্লি–

হয়িচক্তা পাল্লম্বা নিংথৌদি সিললৈমা লৈতং নিংথৌ চনুনা পোনবা নিংথৌ কাংবা কাংখল লৈমদি তারিনু নিংথৌ লৈমা অসিনা পোক্লম্বদি কঙকোই তৈমা, .. অসুন্না পাল্লম্বা নিংথৌ অসিসিংগী হাক্তক্তা হৌনারকপা লমচৎতি সাকৈ সল্লাই, লাইরেক লাইচু নাইরমদে। লাইবু নিংবা লমচৎতি অরেপপাবু লাইনিং ওইনায়ে। লাইদি স্নামহিনে।

অদুগা হায়াচক্তুনা শাগৈ–নাতৈ, থৌরমশিং খায়দ্রি অমসুং লৈবাক্কী পোৎলোই চৎনরম্মী। মতম অসিদা চৎনরম্বা লাইনীং লম্বীদি অচুম্বনি। মসিগী অর্থনা থৱায়বু মশক খঙবা হায়বনি। লাংবা চক্তা কৌব্রুবু লাই ওইনা নিংনরম্মী। অদুগা অরোয়বা চক কোন্না চকতা পাখংববু লাই ওইনা নিংনরম্মী। পাখংবা হায়বদি থৱায়বু মশক খঙবা, লাই খঙবা, মমা–মপানচিংববু মশক খঙববুনি, মতম অসিদা সনামহিবু লাই ওইনা নিংনরম্মী অমসুং লাইনীংনা অরেপ্পা কৌনা চৎনরম্মী হায়বসি খঙবা ঙম্মী। অরেপ্পা লাইনীং অসিনা করিবু খঙনগদগে হায়বগী মতাংদা তেংবানবা অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা পূন্নমক য়াওনা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক, অতিয়া মঙা অসি হোংবা নাইদে। অসিগুম্বা হোংবা, মৃৎপা নাইদবা অরেপ্পা ওইবা শক্তমশিং অসিবু লাৎপা নিংবনা অরেপ্পা লাইনীং কৌনা চৎনরম্বগী মরমনি। ঙসিসু মৈতৈশিংগী য়ুমখোঙ খুদিংগী শম্থোং পাংবা মায়গৈদা সনামহিগী খুভম য়াদুনা ঈরাৎনরি। মৈতৈশিংনা সনামহিবু লৈশী লৈথোনদুনা ঈরাৎপগী মতাংদা খুনুং লিচৎ শাজৎতা অসুন্না ইরিঃ

হয়া হে খোইমোম লাইয়িংথৌ অৱাং ফাৎলৌ লাইমা খোম্বা চীংঙু য়াইবী মতুম্মাগী অতিঙা উংলৈতিং অথুপ্পদা তাইবং অপকমা পূন্নমক্না কজেং থাংকোক তুকুম্ববু চাচন হৌনরকপা লাইয়িংথৌ–ও। কোরৌকোক্কী তমথরকপা ৱাংবনলক্কী খাইথরকপা নুংনাং শগাং খক্তা লাইজা ইরোইননা তরং ঈপাকথক্তা সেকমোম কাইবিলিবু পরিং লেপতম হুনবা, অমমখৈ লৈতবা অতিঙা চেঙলৌ মিথোং থিংবদগী মালেং য়াইবী কাওগুম লমহৌরকপা কোরৌ ফান্দা ফমদোংবা চীংঙু য়াইবী ফমজাওবা থৌৱাই তিল্লি য়াইবী শিদবা–ও। ... নচুবু মৈগী মচু ওইবা নমিংদি তরেৎ থোনবদগী অনী লৌথোক্তুনা মঙা থোনবা, মঙাদগী য়াম্মনলে হায়দুনা অহুম থোনবা, অদুবু য়াম্মল্লে হায়দুনা অনী থোনবা, অদুসু য়াম্মলে হায়দুনা অমা থোনবা নমিং 'র' কৌবা হে লাইয়িংথৌ নঙবু ননাইনা পুনেমজরিএ, কুবিও।

ঙল্লিঙৈ মণিপুরদা মৈতৈশিংনা খুন্দা লৈতাবগী ৱারীদা তোঙান–তোঙানবা চকশিংদা তোঙান–তোঙানবা পাখংবনা পাল্লম্বগী ৱাফম থেংনৈ। অহানবা হয়িচক্তা পাল্লম্বা পাখঙবদি পাখঙ য়োইরেন তোনপোকপা, অনীশুবা চক হায়চক্তা তাংজা লিল্লা পাখঙবনি, অহুমশুবা চক খুনুংচক্তা সেন্দ্রেং লোলাং পাখঙবনি, মরিশুবা চক লাংবচক্তা নোংদা লাইরেন পাখঙবনি। হায়রিবা পাখঙবা মরীমক মশা অমত্তনি, লাঙওন তৌদুনা মতম–মতমদা পাল্লম্বনি অমসুং তোঙান–তোঙানবা চকশিংদা পাল্লম্বা পাখঙবশিং অসিসু লাই ওইনা ঈরাৎপগী ৱাফম থেংনৈ। পাখঙববু লাই ওইনা ঈরাৎপগী মতাংদা মথক্কী লাইরিক অসিদা পল্লি।

হুম হুম হুম উম হে খোইমোম লাইয়িংথৌ অতিয়া উংলৈ–নুংগা অমম্বা য়াইবী মতুম্মাগী অথুপ্পা পোকলেন য়াইবীরেনগী চিথোইবা ওঁলৌ য়াইবীরেন শিদবগী লিহুইফম, ...। হে তুবিয়োইনোংতা নোংদা লাইরেন পাখংবা নঙগী নতীক নঙন থাঙমলোইএ। চীংঙু নঙগী নশানওন্দি হয়িচক্ত পাখং য়োইরেন তোনপোকপা কৌএ। হায়াচক্তা তাংজা লিন্না পাখংবা কৌএ। খুনুংচক্তা সেন্দ্রেং লোলাং পাখংবা কৌএ। লাংবচক্তা তুবিয়োই নোংতা নোংদা লাইরেন পাখংবা কৌনা লাংওনফম লাইয়িংথৌ নমিংবুস কৌবা নঙবু ননাইনা পুনেমজরিএ।

অসিতসু নত্তনা মৈতৈশিংনা মহৌশাগী ওইবা অঙকপা পোৎলমশিং মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, চীং, পাৎ, তুরেলনচিংবা কয়াবুসু লাই ওইনা লাৎনরম্বগী ৱাফম অরিবা লাইরিকশিংদা ময়েক শেংনা পল্লম্বা থেংনৈ। নুমিৎপু লাই ওইনা ঈরাৎপগী মতাং অমদাঃ

নপন তুবী অঙনবা কোরৌ নোংবু খোনবা চনু মালেম লৈবুরুম্বা চনু নোংপোক মহৌ লৈরাইপাংগা নিংথৌ চনু পাইমা সনা লিনগোইনুংগী থৌদু নুংপাক থক্তা নাওনৌবা, চানা লমথাংথৌনা খোইরেনবা, লাইজা ঈপাকথক্তা মিংথোনবা, ... থবি নঙনা শেংবগুম শেংজরগে, থবা নঙনা পানবগুম পানজরগে কুবিও। থাবু লাই ওইনা ঈরাৎপগী মতাংদাঃ

লোইদাম থাজা পাখংরা থানিংথৌ, নুমিদাং তাংলৌ লৈনা থেংলবদা অমমম তোনবা নারন শিরবদা লৈতেংনরিবা নঙবু পুনেমজরিএ, কুবিও।

থৱানমিচাকপুসু লাই ওইনা ঈরাৎপগী থৌরম অঙনবা মতমদগী চৎনরকই। মৈতৈশিংগী চৎনবীদা থৱানমিচাক ২৭ লৈ অমসুং থৱানমিচাক ২৭ মক্কী মিং তোঙান–তোঙান্না লৈ। মী–মীদুগী মতুং ইন্না মাগী মপোক নুমিৎতা থৱানমিচাক অদুগী মিং হায়দুনা শঙ্গোম, চুহি, হৈরুক তাঙ্গা, পানা তাঙ্গা, খোয়রু থাওমৈ, খুদৈ অমা, কোনয়াইপু অমা, চেঙপাক, কবোক, লফোই লফাঙ চঙথোকপা য়াওনা 'কুপ কুপ কুপত্রেংবা মান্দ্রেং শেনত্রেংবা' হায়দুনা নীপাল্লক নৎত্রগা তরানিপাল্লক শোনদুনা খুরুমনৈ। তাইবং মীওইবনা শীজিন্নরিবা মৈ অসিসু মৈতৈশিংনা য়াম্না কিনা, লুনা মপাঙ্গল য়াম্না লৈবা মহৌশাগী শক্তি অমা ওইনা ঈরাৎনৈ। মৈ ঈরাৎপগী লাইশোনদিঃ

চকমোম খাম্বী মৈত্রেং অরাবা, মৈশুৎ মৈবা মৈ, তেক তেক থৌদু মৈ, চকপা মৈরিং মৈ, মোংবা মৈরিং মৈ, কম্বী নাওরৈখুন খোইজু তোল্লোং লৈখাম ৱাইমা মৈ ... লমলেন কাচকপু মৈ পীনৌও হায়না নদাইরেমনা মৈয়াং খুত্তা পায়না মৈশুৎ থক্তা খোং শম্থোং মৈরি য়াইদা চন্না খাম্বী মৈনিজববু কুবিও।

ঈশিং ঈরাৎপগী মতাংদাঃ

হে ইবেম্মা য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা নমিংবু কচেং ঙানবী কৌবী ঈরৈমা ঈনামুং ঈখৈরেন নামুংবী ...। মলেম লৈকারোন তরেৎমক্তগী কারকও। নদাইরেমনা পুনেমজরিএ, চীংঙু লল কুবিও।

অসুন্না অঙনবা মতমদগী সনামহি, পাখঙবা, নুমিৎ, থা, থৱানমিচাক, মৈ, ঈশিং অমসুং মৈতৈশিংগী চৎনবীদা তোঙান–তোঙানবা মায়কৈ ঙাকপা লাইশিংসু ঈরাৎপা চৎনৈ। অদুগা মালেম অদিদা লৈরীবা থৱায় পান্দবা অদুবু মগুণ চেল্লি হায়না থাজবা হী–য়াই ওইবা পোৎলমশিংবুসু মৈতৈশিংগী অরিবা লাইনীংগী শরুক অমা ওইদুনা লৈরম্বা থেংনৈ। অসিগুম্বা থৱায় পান্দবা মহৌশাগী হী– য়াইনি হায়না খনদুনা ঈরাৎ–থৌনি তৌদুনা চৎনবা মখলগী লাইনীং অসিসু ফেটিস (Fetish) হায়না খঙনৈ।

An object which has supernatural potency, often because of its association with a spiritual being .... The simplest type of fetish might be a stone over which a native tripped and felt awe at its power.

অসিগুম্বা মহৌশাগী ওইবা মগুণ চেনবা পোৎলমশিংবু ঈরাৎ–থৌনি তৌবগী লাইনীং মখল অসি মৈতৈশিংগী খৃৎই লাইরিকশিং 'নুঙলোন', 'নুঙলোন থম্বাল', 'সতিং সকোক', 'নুঙলোন লাইহুই' নচিংবশিংদা পল্লি। মণিপুরগী করম করম্বা মফমশিংদা করম্বা লাইগী মশক অমদি মতিক–মগুণ চেনবা হী–য়াই ওইবা নুংশিং লৈবা, করি করম্বা মতিক মগুণ চেনবা অমসুং হায়রিবা নুংশিং অসিবু ঈরাৎ থৌনি তৌরগা মীওইবগী পুন্সিদা করি কান্নবা পীবগে হায়বনচিংবগী মতাংদা ময়েক শেংনা ইরি।

মৈতৈশিংনা মপা–মপু, শাগৈ –সলাইগী অপোকপা নৎত্রগা শাগৈ–শলাই অদুবু হৌদোকপীরম্বা, শীংথাবা য়াবা থবক–থৌরম পাঙথোক্লম্বা কয়াবু নীংশিংবা ওইনা লৈহৌরিবা মচা মশুশিংনা খুভম য়াদুনা ঈরাৎপগী থৌরম পাঙথোকপা চৎনৈ। অসিগুম্বা এনসেষ্টর ৱার্শিপকী লাইনীং অসি মৈতৈশিংতা নত্তনা মালেমগী মফম অয়াম্বদা পাঙথোকনৈ হায়বা য়াই। মসি নোংপোক, খা–নোংপোক এসিয়াগী লমদমশিং মপূঙ ওইনা চাইনা, জাপান, কোরিয়ানচিংবা মফমশিংদা পাঙথোকনৈ। হায়রিবা মপা–মপুশিংবু লাই ওইনা নীংবগী থৌরম অসি মৈতৈশিংনা য়াম্না অঙনবা মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাকলে। কাঙলূপ অসিগী লাইওইখ্রবা মপা – মপুশিংবু ঈরাৎপগী মতাংদা T.C. Hodson না The Meitheis তা অসুন্না পল্লম্মীঃ

If the definition of Ancester Worship is strictly narrowed, we have in Manipur, among the Meitheis only, the form of ancestor worship which is practised by all Hindus...

লাইরিক অসিমক্তগদা T.C. Hodson না অমুক মকা তানা এনসেষ্টর ৱার্শিপকী মতাংদা পল্লিঃ

The worship of the clan which, seven in number, compose the Meithei nation or confederacy, clearly consists in the adoration and propitatiation of the eponymous ancestors of the clan. The name of the tribal Deities is given as Luang pokpa, or ancestors of the Luangs, Khuman pokpa, ancestors of the Khumans, apparent exceptions to this being the tribal Deities of the Ningthaja and Angom clans, which are called Nongpok Ningthou, or the king of East, alias pakhangba, whom we know from other sources to be the reputed ancestor of the clan in question (the Ningthaja), and Purairombas. The aliases of the other tribal Deities are Poiraiton, for the Luangs; Khamdingou, for the Khabananbas, Thangaren for the Khumans, Thangaren for the Khumans, and Nungaoyumthangba, for the Chenglies.

অসিগুম্বা তোঙান–তোঙানবা য়েক–সলাইগী অপাকপশিং অসি মৈতৈশিংগী নুমিৎ থাবানগী মতুং ইন্না ঈরাৎ–থৌনি পাঙথোকনৈ। লমতা থাগী তরানিথোইনি পানবদা মোইরাং সলাইগী অপোকপা, শজিবু থাগী তরানিথোইনি পানবদা খুমন সলাইগী অপোকপা, অদুগা কালেন থাগী তরানি পানবদা নিংথৌজা সলাইগী অপোকপা, ইঙেন থাগী তরানিথোইনি পানবদা অঙোম সলাইগী অপোকপা, অদুগা থৱান থাগী তৎনবা নুমিৎ অমা য়েংলগা পাখংবা খুরুম্মী অমসুং লাংবন থাদা পোইরৈ মৈতৈ য়ুমথোঙ খুদিংদা অপোকপা খুরুম্বা চৎনৈ। মেরা থাগী তরানি পানবদা নুঙ্গোইবী লাইরেম্মাদা শা শন্দং কত্তুনা চীংমী অমসুং তম্মী অনী পুন্না হরাওমিন্নৈ। মসিবু মেরা হাও চোংবা কৌই। নুমিৎ অসিদা থাঙ–তাগী কুম্হৈসু পাঙথোকই। মতুংদা মৈদিংঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তগী নুমিৎ অসিদা ক্বাক্কী মচিঞ্জাক থাক্লগা ক্বাকনা পাইখিবা মায়গৈ য়েংদুনা লৈবাক্কী অফ–ফত্ত য়েংই। মসিবু ঙসিসু ক্বাক তানবা হায়না খঙনরি। হিয়াঙ্গৈ থাদা কোংবা হী মরুদা শীংলেন মনম নাইবা কৎতুনা হিয়াং কুম্হৈ শান্নৈ। পোইনু থাদা অতিয়া গুরু, ৱাকচিং থাগী তরানিথোইনি পানবদা লুৱাং সলাইগী অপোকপা, অদুগা ফাইরেন থাগী কুনতরুকনি পানবদা শরাং লৈশাংথেমগী অপোকপা খুরুম্বা চৎনৈ। থা অসিদা পোইরৈ মৈতৈশিংনা লৌ তাবা হৌবগা লোয়ননা লৌতারোন ঈশৈ শকতুনা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোকই।

*(অনীশুবা শরুক মথং থাংজদা ...)*